থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

মণিপুরদা থেংনরিবা একজিস্টেন্স'কী ক্রাইসিস অমা

থবায় পানবা (অহিংবা জীব) খুদিংমক হিংলিঙৈদা করিগুম্বা থবক অমা নৎত্রগা অমা তৌদুনা লৈ। থবক অদুনি পুন্সি। থবক লৈত্রবা পুন্সি ওইদে। থবক হায়বসি হিংলিঙৈদা তৌগদবা ওইবনা, পুন্সি হায়বসিগসু হিংব'গা অচেৎপা মরী লৈনফম থোকই, লৈনৈ। কনাগুম্বনসু হায় - হিংদ্রবদি পুন্সি ওইদে। মীৎয়েং খেন্নবগী ৱানি, অতোপ্পা অমনা অমুক হায় - হিংদবা পোৎশক অমগীসু পুন্সি লৈ।

ৱাহৈ অসি লুমনখ্রমাল্লে। লুনা ইবা ৱারেংসি কনামত্তনা পানীংদে। হায়দৌ ৱাদু দোং হায়দনা লোৎশিল্লগা থম্বা খূৎইদু কনা-কনাগুম্বনা হায় - ফিলোজোফিকল ওইবা খূৎইনি। তশেংবদি মদু নত্তে, ফিলোজোফি হায়বসিনা পূমতোপ তোপ্পা অমনি। পাউদম অসি ইজরিবা ঐগী ওইনসু ফিলোজোফি হায়বদু খ্বাইদই মরীং-মরাংবা, হৈনজদবা অমনি। অদুবু, ৱাখলগী তাইবঙদা তাউদুনা শান্নবা, অচুম্বা ওইনা মীৎমাঙদগী হেন্না নুংঙাইবা অতোপ্পা লাইরিক অমা লৈতে।

অদোম্না তাবদা থাজবীরোই - ঙসিগী পাউদম অসি ইগে খন্দুনা ফমথখিবা মীৎকুপ্তুদি খনখিবনি ... মতম কুইনা মথোঙ মরম খঙলুদ্রবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, ওস্থোক্লা ৱানা হান্নই ফীভমদা হনজিল্লকপা, মহৈ তম্বা ফংলুদ্রবা মহৈরোয়, মথৌ কুইনা তৌরক্ত্রবা য়ুনিভর্সিটিগী থৌপাঙলোয়শিং নোংমাইজিং/ছুটি থিদনা মথৌ তৌবা হৌরকপসি অমুক মৈ হৌরক্কদৌরবরা... হায়বা ৱাখল পরীংসিদা ইরগে। অদুবু পূক্লিং ইথিল অঙকপনি - অহানবা ৱাহৈ অদুনা ৱাখল অসি অমরোমদা চিংদুনা পুখি। অদ্য প্রসাদ পান্দেসু, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয়'সু, শিন্তাক্লিবা ওজাসু, নন-টিচিং ষ্টাফ'সু - মথৌ অমমম তৌরিবা থৱায় পানবা ঙাক্তনি। মশা মশানা তৌরিবা থবক-থৌরম খুদিংমক পূক্লিং ইথিল অমমম্না ইনশিল্লগা তৌরিবা ঙাক্তনি। খঙহৌদনা খল্লকখি - এ পি পান্দে'না মণিপুরগী মীয়ামসিগী মরমদা, মরুওইনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয়-ওজা-ষ্টাফশিংসিগী মরমদা খল্লিবসি করিনো? নুমিৎ ৮৫নি চূপ্না মূক্লখিবা, লৈপাক ৱাথোক ওইখিবা, কনানা করি তৌবগী মহৈশঙনা তম্ন-লাইশঙ ওইরকখিবা... শরা শন্না খঙনরবা ৱাফমসি থিজিন-হুমজিন তৌনবা, মাবু মথৌ তৌহন্দনা থল্লিঙৈ চৈরক্তা, থিজিনবফাও হৌদ্রিঙৈ মথৌ তৌগে লাকখিবা, মথৌ রিজ্যুম তৌদ্রিঙৈ 'মুসা', 'মুতা' অনীমক মূথৎলনি লাউথোকপা (ওফিস ওর্দর থোক্কুনা) ... পাউ অদু তাবদা ঐদি খনখি - 'ঙাওরেদনা পান্দেসে'! মতিক-মপা চাদনা, ফংদোক্তনা ফংখিবা ফমজাও অদু নান্থোকখ্রনি খনবদা ইকায়-ইকি খঙদ্রেদনা! মদুগী থংনবা মীৎকূপ্তা তায়ওন্নবা ৱাখল অম'মুক - লমদমসিগী মীয়াম্বু মানা করম' উবজাৎনো? মীয়ামগী খোঞ্জেল, সেন্টিমেন্ট অমদি রুল ওফ লো পূম্নমকসিবু শীংনরিবা, ফজদবা ৱাহৈদা হায়রগা লমদমসিগী পোলিটিকল ওথোরিটিবু উশিত্রিবা করিগীনো? খিত্তদসু নোল্লুকপা, সিভিলাইজদা মেন্নর অমা উৎত্রিবসি করিগীনো/ মাগী মকোক্তা খল্লিবা মকোক তরা লোঙবা খারৌগী কোক্লেন অদু মহু য়াম্না কনবজাৎলা? অসিনচিংবা ৱাখল কয়া।

এম য়ুগী ৱাথোকসিদা ওইরক্লিবা মওং-মতৌ, হোরেন হয়েং খঙদনা হেক্তা থোক্লবা য়াবা অতোপ্পা ৱাথোক-লান্থোক ময়াম অমা... মণিপুর কৌবা লমসিবু হ্যুমেন সিভিলাইজেসন'না পুথোকখিবা করম্বা থিওরি পানশিল্লগা নৈনসিগে! খনফম খঙদে ঐ। সিবু পুন্সি কৌবরা? শা-ঙাগী পুন্সিসু পুন্সি, উপাল-ৱাপাল, তূমিৎ-কাংগী পুন্সি ... পুন্সিগী পুন্সি অমহানি খন'না লৈথোকপা য়াদে। মীওইবগী পুন্সিদি তোপ-তোপই - পূক্লিং/ৱাখল হায়বা অতোপ্পা থৱায় পানবশিংদা য়াওদবা, শকউদবা কোক্কী মচল অমনা লমজীংই। চহী মিল্লিয়ন কয়াগী মমাঙদগী হৌরকখিবা 'ইভোল্যুসন' (মী হায়বসি কদায়দগী কমদৌনা ওইরকই হায়বগী) থিওরি - মীওইবা নত্তনা অতোপ্পা থৱায় পানবা অমত্তনা খঙদে। হ্যুমেন ইভোল্যুসন হায়বসি মপান্থোংগী শক্তমদা উরকপা অহোংবশিং অদুখক্তা নত্তে, পূক্লিং-ৱাখলগী অহোংবদুসুনি। চাবা, থকপা, তূম্বা, হীপ্পা, চৎপা, নুংঙাইবা থিবা, ইচা-ইশু শন্দোকপা - 'সিখক্তনা পুন্সি নত্তে হায়বসি কাউথোক্লখ্রে মীওইবনা। পুন্সিগী মশক হোংলক্লিবা, ফজবা মতৌ মাঙখ্রিবা- পূক্লিং ৱাখল অনীনা ইনশিল্লগা তৌবা থবক অদুতনা পুন্সিগী মশক লেপ্লকপদই থোকপনি। অঙকপনি মীওইবা! মীওইবনা খল্লি - মখোয়না তৌরিবা থবক খুদিংমক পূক্লিংনা ইনশিল্লগা তৌরিবনি। অদুবু, তাইবঙপানবা অসিদি মীওইবগী পূক্লিংগী অপাম/পামদা মতুং ইন্না ওইরকপা নত্তে হায়বসিদি নোংমতসু খন্থরুদে। অঈং-অশা, অমমম-অঙান, নোংজু-নুংশাবু মীওইবগী অপান্থই মতুং ইনবরা?

অসিগুম্বা খনফম থোক্তবা ৱাখলসি হেক হেক খল্লকপদা নীংশিংলকপা ইংরাজি ৱাহৈ অমা লৈ - 'একজিষ্টেন্স' অমদি 'একজিষ্টেন্সিএনিজম'। ঐগী ইমালোন্দা করি হায়না হনসিগে - ইরায় লায়না লুবা ৱাহন অমনি। 'হিংবা' হায়বদুদি 'লিভিং' নৎত্রগা 'তু লিভ' হায়গনি। একজিষ্টেন্স হায়বদি 'লৈবা' হায়গদ্রা? 'একজিষ্টেন্সিএলিজম' হায়বসি ফিলোজোফিকল ওইবা ৱাখল্লোন অমনি, ৱাহৈগী ৱাহন ওইনা থিবা য়ারোই। ৱাখল্লোন অসি ইহান হান্না হৌদোক্লম্বা 'সোরেন কির্গেগার্দ' না হায় ... 'পুন্সি হায়বসিগী চপ চাবা ৱাহন্থোক লৈনা, মগুণ লৈনা, মতিং থোক্লা হিংনবগীদমক, খুন্নাই অমদি লাইনীংলোন (সোসাইটি এন্দ রিলিজন) গী মথৌ তাদে, পুন্সিদুবু থাগোন্নরিবা মী (ইন্দিভিজ্যুঅল) মশাদুগী মখা পোল্লি'...। কুনশুবা চহীচাগী ময়ায় চল্লকপা মতমদুদা 'একজিষ্টেন্সিএলিজম' হায়না মমিং থোন্দুনা পুন্সিরোল অমা ওইনা শকখঙখিবদগীনি 'ঐ', 'ঐগী' অমদি 'ঐ হিংলগা লোইরে' - খ্বাইদই হেন্না মতিক চাবা, অকনবনা হিংহৌবা - হায়বা 'জিনেটিক থিওরি' অদু শা-ঙা-তূমিৎ-কাং-মীওইবদসু চুল্লকপনি।

মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা একজিষ্টেন্সিএল ক্রাইসিসনি। শুকলৈ লৈরমদবা 'নাগা' কৌবা ত্রাইব অমা, ত্রাইব মচা মচাশিংনা পূনশিল্লগা শেন্নক্লিবা, লৈরমদবা হিষ্টরি অমা শাগৎলগা 'য়ুনিক হিষ্টরি' নি হায়রক্লিবা, অনৌবা অচৌবা লমদম অমা শেম্ননবা হোৎনরিবা, মীতৈশিংনা য়েংলিবা, মীতোপ চঙহল্লোই হায়রিবা, মণিপুরগী কায়থরক্লবা ঙমখৈগী ৱাথোক চাউহল্লিবা, ভি সী পান্দেনা অঙম্বা পাঙ্গল পুথোক্তুনা অনম কল্লিবা, মুসু-মুতা-মুসা'না মশাগী ফিরেপ চেৎশিন'খ্রিবা, কোংগ্রেসনা মীমাঙ থোক-মচিন কল্লিবা, সী এম বিরেন'না পাঙ্গল থোকপা ঙমদ্রিবা... পূম্নমকসি করিসু নত্তে, মশা-মশা হিংনবা অমদি লৈনবা, সরভাইবেল অমদি একজিষ্টেন্সকী ৱাফমনি, তৌফদ্রবা ঙাক্তনি। অকনবনা হিংহৌনি, অশোনবনা মূৎখিনি।

লৌশিং পুক্কে

হকচাং লেঙ ওৎপগী চাং ৱাৎপা

হকচাং লেঙ-ওৎপগী চাং ৱাৎপা অমসুং অয়াম্বা মতমদা ফমজিন্দুনা লৈবা হায়বসি মীওইবগী হকশেলগা মরী লৈনবা য়াম্না মরুওইবা ৱাফম অমা ওইরক্লে। পুন্সি মহিংনা লায়না কয়া ওইহল্লকই হায়বা খঙলবসু মীওই অয়াম্বা হকচাং লেঙ-ওৎপগী চাং অদুম্মক ৱাৎপগী ফীভমদা লৈরি।

সিদেন্টরি বিহেবিয়র রিছার্স নেটৱার্ক (এস বি আর এন) গী রিপোর্টনা হায়, অয়াম্বা মতমদা ফম্বা অমসুং হিপ্পগী থৌওংবু সিদেন্টরি লাইফষ্টাইল হায়না খঙনৈ। মীওইবনা নোংমদা এনর্জি কয়া য়াম্না শীজিন্নবগে হায়বদু মেটাবোলিক ইক্বিভেলেন্ট (এম ঈ) না ওল্লি। নোংমদা এম ঈ ১.৫ য়ৌনা শীজিন্নদ্রবদি মীওই অদু হকচাং লেঙ-ওৎপগী চাং ৱাৎলে হায়না লৌবা য়াই।

শুপ্নগী মীওই চাদা ২১ খক ফিজিকেল এক্টিভিটি গাইদলাইন ঙাক্লা হকচাং লেঙ-ওৎলি অমসুং মীওই চাদা ৫ খক্লা নোংমদা পুংখায় অমরোম হকচাং শাজেল তৌই হায়বা থিজিনবদগী খঙবা ঙমখি। ৱর্ল্ড হেল্‌ঠ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) গী রিপোর্টনা হায়, অয়াম্বা মতমদা ফমজিন্দুনা লৈরবদি হকচাংগী অরূম্বা হেনগৎলকপগা লোয়ননা, টাইপ-টু দাইবেটিস, কেন্সর মখল খরা অমসুং কার্দিওভাস্ক্যুলর দিজিজ ওইহল্লকপদগী মনুং মতম চাদনা শিহনবা য়াই।

মতম শাংনা অমসুং অয়াম্বা মতমদা ফমজিন্দুনা লৈরবদি হকচাংনা ব্লদ সুগর কন্ট্রোল তৌবা ঙম্লক্তে। ব্লদ প্রেসরসু চাং নাইরক্তবগা লোয়ননা হকচাংদা ফেটকী শরুক হেনগৎলকই। চহী ১৫ চুপ্না চথখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়, হকচাং লেঙ-ওৎপগী চাং ৱাৎপা অমসুং অয়াম্বা মতমদা ফমজিন্দুনা লৈবা মীওইশিং মনুং মতম চাদনা শিবা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ। মরম অদুনা ফমজিন্দুনা লৈবগী মতম ককথরগা নোংমগী ঙাইহাক ঙাইহাক হকচাং শাজেল তৌবা মথৌ তাই। হকচাং লেঙ-ওৎপগী চাং ৱাৎপনা পূক্লিং-ৱাখলগী ফীভমদসু চাউনা অহোংবা লাকহল্লি। মীওই ১০,৩৮১ দা চথখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়, অয়াম্বা মতমদা ফমজিন্দুনা লৈবা অমসুং হকচাং শাজেল তৌদবা মীওইশিং মেন্টেল হেল্‌ঠ দিসওর্দরগী রিস্ক ৱাংখৎলকই। মরুওইনা দিপ্রেসন ওইহল্লকপা য়াই।

ৱর্ল্ড হেল্‌ঠ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) না শেল থাদরগা হন্দক্তা মীওই ১,২৩৭,১৯৪ দা চথখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়, হকচাং শাজেল তৌবা অমসুং অয়াম্বা মতমদা হকচাং লেঙ-ওৎপগী থবক তৌরবদি টাইপ-টু দাইবেটিস, ওবেসিটি অমসুং মনুং মতম চাদনা শিবা য়াবগী রিস্ক হন্থরকই।

হীরম অসিগী মতাংদা অখঙ-অহৈশিংনা হায়, গাড়ী ঙাইবদা ফম্বগী মহুৎ লেপ্পগা ঙাইগদবনি; থবক চৎপদা য়ারিবমখৈ খোঙনা চৎকদবনি; নুমীৎ চুপ্পা ফম্লগা থবক তৌবগী মথৌ তাবা মীওইশিংনা পুংখায় খুদিংগী ঙাইহাক ঙাইহাক লেপখৎকদবনি; চা গ্লাস অমা থকপদা ফম্বগী মহুৎ চৎন-চৎনা থক্কদবনি; নোংমা ফাদোক য়ুমদা লৈবা মতমদা ফমজিন্দুনা অমসুং হিপচিন্দুনা লৈবগী মহুৎতা ইংখোল কোইগদবনি অমসুং ইমুংগী থবক ইনখাং লোইশিনগদবনি; ওফিসতা থবক শুরিঙৈদা ঙাইহাক ঙাইহাক হৌগৎলগা মীনিট ৫/১০ হঙ্গৎ-হন্দা চৎকদবনি; ফোনদা ৱারী শানবদা য়ারিবমখৈ চৎন-চৎনা ৱারী শাগদবনি; ঙাইহাক শংবদা টেলিভিজন য়েংদুনা লৈথোকপগী মহুত্তা থবক মচা-মশু খরদা ওইরবসু তৌহৌগদবনি অমসুং দোলান কাবদা লিফ্‌ট নৎত্রগা এলিভেটর শীজিন্নবগী মহুত্তা য়ারিবমখৈ সিরি থাক্তা কাগদবনি।

হকচাং লেঙ-ওৎপগী চাং ৱাৎপনা ওইহল্লকপা য়াবা লায়নাশিংগী মনুংদা টাইপ টু দাইবেটিসসু অমনি। নন ইন্সুলিন দিপেন্দেন্ট দাইবেটিস মেলাইটস (এন আই দি দি এম) হায়নসু খঙনবা লায়না অসি মতম চানা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌরবদি মাঙজৌননা ঙাকথোকপা ঙম্মী। ইন্টরনেসনল দাইবেটিস ফাউন্দেসনগী রিপোর্ট মতুংইন্না লায়না অসিগী হৌগৎলকপদা উৎথোরকপা লায়ওংশিংদি তোয়না মপান থোকপা, হকচাংগী অরূম্বা হন্থরকপা, হকচাং ইচোক চোকথবা অমসুং কা হেন্না ঈশিং খৌরাংবা ফাওরকপা হায়বসিনি।

দাইবেটিসনা মরম ওইরগা থম্মোয়গী লায়না অমসুং খুদোংথিনিংঙাই ওইবা ফীভম কয়া ওইহল্লকপা য়াই। মতম শাংনা ব্লদ গ্লুকোজ লেভেল ৱাংদুনা লৈরবদি ঈ উতোংশিং অমাঙ-অতা থোরক্তুনা এথরোসক্লেরোসিস ওইরকই।

ওইহল্লকপা য়াবা অতৈ থৌওংশিংদি রেটিনোপেথি (মীৎ শোকহল্লকপা); নেফ্রোপেথি (কিদনি শোকহল্লকপা); ন্যুরোপেথি (নর্ভশিং শোকহল্লকপা) অমসুং মেক্রোভাস্ক্যুলর কমপ্লিকেসন (অচৌবা ঈ উতোংশিং শোকচিল্লকপা) অসিনচিংবনি।

হকচাং লেঙ-ওৎপগী চাং ৱাৎপনা থম্মোয়গী লায়না ওইহল্লকপসু য়াই। ঈ উতোংদা মপং মপং পৈশিল্লকপদগী ঈগী ঈচেলদা অকায়বা থোকহন্দুনা হার্ট এটেক নৎত্রগা ষ্ট্রোক তৌরকপা য়াই। হকচাংগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী হার্ট য়ৌনা ঈ চেনশিল্লকপা ঙমদ্রবা মতমদা হার্ট এটেক তৌরকই। ব্রেন য়ৌনা ঈ চেনশিল্লকপা ঙমদ্রগনা ষ্ট্রোক তৌরকই। হার্টনা হকচাংগী মফম শিনবা থুংনা ঈ য়ৌহনবা ঙমদবগী থৌওংবুনা হার্ট ফেল ওইবা হায়না খঙনৈ।

খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থৌওংশিং অসি মাঙজৌননা ঙাকহৌনবগীদমক অয়াম্বা মতমদা হকচাং লেঙ-ওৎপগী থবক তৌগদবনি হায়রি।

ককচিং অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা খুঙ্গং চৎসি থৌরম পাঙথোকখ্রে

"GO TO VILLAGE" MISSION
DISTRICT OFFICE OF HANDLOOM & TEXTILES
THOUBAL DISTRICT, MANIPUR

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৪ (ঐচ এন এস):

ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি মণিপুর লৈঙাক্লা মীয়ামগীদমক পায়খৎপা স্কিম অমদি প্রোজেক্টশিংগী কান্নবশিং মীয়ামদা হকথেংননা ফংহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপা *খুঙ্গং চৎসি মিসন* থৌরম ঙসি ককচিং অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মফমশিংদসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনশিংনা শীন্দুনা তোঙান তোঙানবা মফম অহুমদা পাঙথোকখ্রে।

ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ময়েং লমজাও গ্রাম পঞ্চায়টকী মনুং চন্না লৈবা লাইমনাই কম্যুনিটি হোল অমসুং ৱাইখোং জি পিগী ওইনা ৱাখোংদা পাঙথোকখি। থৌরমশিং অদুদা তোঙান তোঙানবা লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংগী ষ্টোলশিং হাংদোক্তুনা মীয়ামদা কান্নবা ফংহনখি হায়রি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনসু মফম অহুমদা *খুঙ্গং চৎসি মিসন* থৌরমশিং পাঙথোক্লখি। খাঙবোক পার্ট টু মল্টি পর্পজ কম্যুনিটি হোল, ৱাংজিং তেন্থা এ সীগী পাৎপাল অমদি য়াইথিবী লৌকোনগী ওইনা পাৎপাল কম্যুনিটি হোলদা অমসুং ৱাংখেম এ সীগী ককময়াই অমদি নিঙেলগী ওইনা নিঙেল লাইবুংদা পাঙথোক্লুনা তোঙান তোঙানবা লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংগী ষ্টোলশিং হাংদোক্তুনা মীয়ামদা কান্নবা ফংহনখি।

খাঙবোক পার্ট টু মল্টি পর্পজ কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী ষ্টোল ২৯ হাংদুনা মীয়ামদা হকথেংননা দিপার্টমেন্টশিংনা পীরিবা কান্নবশিং ফংহনখি।

থৌরম অদুদা বি জে পি মণিপুর ষ্টেটকী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরম্বা, নেসনল এৱার্দী থোকচোম জাদুমনি, খাঙবোক জিলা পরিষদ মেম্বর টি ঐচ রাজমোহোন, খাঙবোক পার্ট টু গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান, প্রধান নোমিনি অমদি মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট থোকচোম জাদুমনিনা ফোঙদোরকপদা, মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা বি জে পি লৈঙাক অসিন পায়খৎলিবা খুঙ্গং চৎসি মিসন অসি মণিপুরগী ইলেক্টোরিএল লিষ্টতা য়াওরিবা ভোটরশিংদা লৈঙাক্লা পীবা কান্নবশিং অসি হকথেংননা ফংহন্নবগীদমক পায়খৎপা নমুনা অমনি। মিসন অসিনা মীয়াম্না হান্না দিপার্টমেন্টশিংদা করিগুম্বা অমা তান্নদুনা চৎপা মতমদা থা অমা অনী চঙবা অমদি শেঞ্জা-থুমজাগী অমোৎপা লৈরম্বশিং অদু কোকহন্দুনা মীয়ামদা খুদোংচাবশিং হকথেংননা পীরি।

খুঙ্গং চৎসি মিসন অসি খাঙবোক এ সীগী ওইনা ঙসি পাঙথোক্লিবা অসিনা অরোইবনি। এ সী অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম তরেৎতা পাঙথোকখ্রে। মসিদা লৈত-লায়র অহল ওইরবা দিপার্টমেন্টতা চৎপা ঙমজদবা এ সী অসিগী মীওই লিশিং অহুল্লোমদা হকথেংননা কান্নবা পীখ্রে। অদুম ওইনমক উজ্জ্বালা স্কিমগী গ্যাস কন্নেক্সন মীওই ১০১৫ দা ফংহনগদবদা মীওই ২৯৮ দা য়েন্থোকখ্রে। মীওই ৭১৭ লেমহৌরিবা অসি অথুবা মতমদা য়েন্থোক্লবসু হোৎনরি হায়খি।

অমরোমদা, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফাল ইষ্টনা শিন্দুনা ঙসি অন্দ্রো এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী তুলিহল গ্রাম পঞ্চায়টতা লৈবা পোইরৌখোংজিন কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবা খুঙ্গং চৎসি মিসনগী কেম্পতা ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা শরুক য়াখ্রে।

কেম্প অদুদা পূন্না দিপার্টমেন্ট/ওফিস ষ্টোল ২০ হেন্না হাংখি। মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিং/প্রোগ্রামশিংগী মখাদা মীয়ামদা কান্নবশিং ফংহনখি।

এস দি ও কৈরাও বিত্র ঈ সোনিয়ানা লুচিংবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফাল ইষ্টকী ওফিসলশিংনা ষ্টোলশিং য়েংশিনখি অমসুং তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী কান্নবশিং লৌনবা মফমদুগী মীয়াম্বু লমজিং লমতাকপীখি।

খোঙজং চঙশিন্ননবা ৱারেপ্লখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৪ (ঐচ এন এস):

নেসনল হায়ৱে ১০২ ইম্ফাল মোরে লম্বী পাকথোক্লনবা লৈঙাক্লা লম লৌশিনবদা লিলোংদগী ৱাংজিং ফাওবগী লম্বী শরুক্তা লম শোক্লবা পাট্টাদারশিংগী ওইবা মীফম অমা ঙসি খাঙবোক কৈথেল অনৌবদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অসিদা লৌখিবা ৱারেপশিং লৈঙাক্লা থবক্তা ওন্থোকপীরক্তবদি সেপ্টেম্বর ৭তগী খোঙজং চঙশিন্ননবা লেপ্লখ্রে।

লম শোক্লবা পাট্টাদারশিংনা পূল্লগা শেম্বা য়ুনাইটেদ এক্সন কম্মিটিনা শীল্লগা পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা হন্দক্তা থৌবালগী দি সীনা লম লৌশিনবগা মরী লৈননা থোকখিবা ওর্দর অদুগী মতাংদা কূপ্না খন্নখি। তুংদা মীফম অদুনা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ কয়া লৌখি। ৱারেপশিং অদুদি থৌবালগী দি সীনা হৌখিবা ওগষ্ট ২৯দা লম লৌশিনবগা মরী লৈননা থোকখিবা ওর্দর অদু সেপ্টেম্বর ৬ ফাওবগী মনুংদা রিভিয়ু তৌগদবনি। লৈঙাক্লা লম লৌশিনবদা স্কৱার ফিট অমগী লেপ্লিবা মমল অসি মতমগা চানদবনা মরম ওইরগা পাট্টাদারশিংনা য়াবা ঙল্লোই। স্কৱার ফিট অমদা লুপা লিশীং ৫ পীগদবনি। নেসনল হায়ৱে ১০২ পাকথোরকপদা লিলোং থোংদগী ৱাংজিং থোং ফাওবা রোদ মিদিয়নগী নাকল নাকলদা ফিট ৫০/৫০দগী হেন্না পাকথোকহন্দবা হায়বা য়াওরি। করিগুম্বা লৈঙাক্লা পাট্টাদারশিংনা ৱারেপ লৌদুনা তাল্লিবা দিমান্দশিং অসি থবক্তা ওন্থোরক্তবা তারবদি সেপ্টেম্বর ৭তগী মখল মখা কয়াগী অকনবা খোঙজং চঙশিনবা হায়নসু লেপ্লখি হায়রি।

উরিপোক কাংচুপ রোদকী মফম কয়াদা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ৪ (ঐচ এন এস):

ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী ৱারোইশিন পুরকপদা কাঙলুপ অমখক্তংগী ওইবা মীৎয়েং থল্লগা মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটি থুগাইবা য়ারোই। মণিপুরদা আর্টিকল ৩৭১ (এ) অমদি সিক্স সেদ্যুল চৎনবা য়ারোই হায়না ঙসি উরিপোক কাংচুপ রোদকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ৱাকৎ মীফম অমসুং পব্লিক মীটিং পাঙথোক্লখ্রে।

উরিপোক তৌরাংবম লৈকাই রুমেন ৱেলফ্যেয়র ওর্গনাইজেসন অমসুং উরিপোক তৌরাংবম লৈকাই ৱেলফ্যেয়র ওর্গনাইজেসন অনীনা শীন্দুনা উরিপোক তৌরাংবম লৈকাইগী মচীনদা মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম চথখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী জি ববিতানা হায়খি, নাগালেন্দ খক্তদা চৎনরিবা আর্টিকল ৩৭১(এ) অসি মণিপুরদা চৎনবা শুকয়া য়ারোই। এন এস সী এন (আই-এম) অমসুং ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকী মরক্তা সাইন তৌনখিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টনা মণিপুরদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপশিংবু খায়বুং তাহন্নবা থৌওং চথরকপা য়ারোই হায়না ফোঙদোকখি।

উরিপোক লাই খুরেম্বী মৈরা পায়বীনা শীন্দুনা লাই খুরেম্বী মচিনদা মীয়ামগী ৱাকৎ মীফম অমসু পাঙথোকখি। উরিপোক খোইস্নাম লৈকায়, উরিপোক য়াম্বেম লৈকাই, উরিপোক খুমন্থেম লৈকাই, উরিপোক বাচস্পতি লৈকায়, নাওরেমথোং এন জি কোলেজ অমসুং উরিপোক বোক্সর লৈরক্তসু ৱাকৎ মীফম পাঙথোকখি।

উরিপোক বোক্সর লৈরক্কী মৈরা পায়বীগী সেক্রেটরি সোরোকখাইবম সোরোজিনিনা হায়খি, ইন্দিয়া গভর্নমেন্ট অমসুং এন এস সী এন (আই-এম) অনীগী মরক্তা সাইন তৌনরিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টনা মণিপুর থুগায়বা য়ারোই। মণিপুর থুগায়ননবা হোৎনরকপশিংগী মায়োক্তা মমা ওইবীশিংনা লেপ্তুনা লৈরি। আর্টিকল ৩৭১ (এ) অমসুং সিক্স সেদ্যুলসু মণিপুরদা চৎনহনবা য়ারোই।

অমরোমদা, উরিপোক নিংথৌখোংজম লৈকায় অমসুং উরিপোক অহন্থেম লৈকায়গী নুপীশিংনা শরুক য়ারগা উরিপোক অহন্থেম লৈকায়দা লৈবা ওইল পম্প মমাংদা ৱাকৎ মীফম চথখি। ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী এন হেমলতানা ফোঙদোরকপদা, নাগালেন্দ খক্তদা চৎনরিবা আর্টিকল ৩৭১(এ) নাগালেন্দ খক্তদা চৎনহল্লু, আর্টিকল ৩৭১(এ) বু মণিপুরদা চৎনহনবা য়ারোই। নাওরেমথোং খুলেম লৈকায়গী নুপীশিংগী অপুনবা য়াইফ লুপনা শীন্দুনা নাওরেমথোংদসু ৱাকৎ মীফম ফমখি। খোইস্নাম লৈকায় য়ুথ দিভলপমেন্ট কম্মিটি অমসুং খোইস্নাম লৈকায় রুমেন্স ৱেলফ্যেয়র এসোসিএসন্নসু পুন্না শীল্লগা ৱাকৎ মীফম চথখি। উরিপোক অচোম লৈকায়দসু ৱাকৎ মীফম চথখি।

খুলেম লৈকায় অমসুং সমুশঙগী মৈরা পায়বীশিংনসু ৱাকৎ মীফম চথবগা লোয়ননা পব্লিক মীটিংসু পাঙথোকখি। ইরোইশেম্বদসু মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম ফমদুনা আর্টিকল ৩৭১(এ) মণিপুরদা চৎনহনবা য়ারোই হায়না দিমান্দ তৌখি।

SARASWATI COACHING INSTITUTE
Chingmeirong Khongnang Karak, Imphal
ADMISSION OPEN
CLASS XII FOUNDATION COURSE
(3rd Batch) - 2018
Starting of Class : 10th Sept., 2018
Subject Offer: Physics, Chemistry, Mathematics
Class timing: 4.30 pm to 7.30 pm
Managing Director
We nourish your future
HL-B/4820/30Aug&1-28 Sept(Alt.)

EDUCITY TUTORIALS
SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIKAI & NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER
Limited Seats!
Timing:
5:00 am to 7:00 pm
4:30 pm to 7:30 pm
Contact: 9612194500 | 8731977228
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE FOR SESSION 2018
CLASS - I TO X, CLASS - XI & XII (SCIENCE) (Both CBSE & BOSEM)
- PRINTED STUDY MATERIALS FOR EACH STUDENTS
- PROBABLE SUGGESTIONS
- SPECIAL TEST SERIES
- COUNCELLING WITH PARENTS & STUDENTS
- WELL EXPERIENCE FACULTY MEMBERS
- HOSTEL FOR BOTH BOYS & GIRLS
FEE STRUCTURE:
CLASS I TO V (Rs. 800/- Month)
CLASS VI TO VIII (Rs. 1000/- Month)
CLASS IX & X (Rs. 2000/- Month)
CLASS XI & XII Sc. (Course Fee: 4 Months Rs. 14,500/-)
CLASSES STARTING FROM 12TH & 20TH JUNE, 2018
OUR FACULTIES FOR XI & XII SCIENCE:

FACULTIES FOR CLASS I TO X:
1. Madam Romita Devi (5 Yrs Experience in Teaching)
2. Miss Premika (5 Yrs Experience in Teaching)
3. Miss Yaipharembi (5 Yrs Experience in Teaching)
4. Miss Sonia (5 Yrs Experience in Teaching)
5. Miss Preety (3 Yrs Experience in Teaching)
6. Miss Melody (3 Yrs Experience in Teaching)
7. Miss Esther (3 Yrs Experience in Teaching)
8. Miss Nomiby (3 Yrs Experience in Teaching)
9. Miss Nirmala (3 Yrs Experience in Teaching)
10. Miss Mrituinjoy (3 Yrs Experience in Teaching)
1. Sir Subhaschandra (5 Yrs Experience in Teaching)
2. Sir Wenlilam (5 Yrs Experience in Teaching)
3. Sir Apol (5 Yrs Experience in Teaching)
4. Sir Chetan (5 Yrs Experience in Teaching)
5. Sir Bonjo (5 Yrs Experience in Teaching)
HL-B/4797/17/8-15/9

JOIN THE
PREMIUM FITNESS CENTRE IN MANIPUR
«RADIANT FITNESS»
360° WELLNESS CENTRE
»GYM»AEROBICS»ZUMBA»YOGA»SPA»SAUNA»COFFEE & MORE...
Visit Us: Palace Compound Gate, Opp. City Convention Hall, Imphal
HL-B/4808/22/8-21/9